শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ-২০২১-২২

ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'ইমাগী নুমিৎ' উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা শুমাং লীলাগী নীংথম কুম্মৈ, ২০২০-২২গী ঙসি মরিনি চল্লকপদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন (ইমা) গী মমাগী মতিক ময়াই পুথোকপা লীলা 'ইমাগী নুমিৎ' উৎখ্রে।

লীলা অসি নবকুমার নোংমৈকাপমনা ইরগা গীৎচন্দ্র চোংথামনা দিরেক্সন পীবনি।

লীলাগী ৱারীদা মচানুপা ২ পোক্তুনা চাওনবা য়োক্লগা মহৈ তমহল্লকপগী মহয়না মচানুপা অহল মতিক চাবা ওফিসর ওইরকখি। খুঙ্গংদগী হৌরক্লবা মীশক অমনা ওফিসর ওইরকপদগী মাগী নুপীগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবা, নুপীগী খুদোম্বীনা উংবা নুপা ওইরকখি। মসিনা ইম্ফালদা লম লৈরগা হোংগৎলক্তুনা চেক্কী অৱাংবা দলানগী মনুংদা নুংঙাইনা লৈখিবদগী মমা অমসুং মনাওনুপা হন্না য়েংখিদে। মনাওনুপানা এম এ লোইরদুনা লৈঙাক্কী থবক ফংদবনা মরম ওইরদুনা প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইখি।

কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা শুফম লৈতবদগী কোয়লাস থাবা য়াওরুবদগী মখোঙদা কোয়লাস হৈজিন্দুনা শোয়নাইবা ওইখি। শুবা নোম্বদা মপা চাদ্রবা, মরাইবক থীরবা মনাওনুপা লুহোংবদা শেল পুথবদগী ইঙ্খোল য়োন্থোকখি। অদুবু ময়াম্বগী শরুক্তি লৈখি। অদুম ওইনমক ময়াম্বনসু মহাক্কী ইঙ্খোল অদু য়োন্থোকপদগী মীগী য়ূমদা শানবা কাদা লৈরকখি।

ইখঙ খঙহৌদনা ময়াম্বগী কিদনি অনীমক ফেল ওইদুনা মহুৎ শিন্নবা থিরকপদা অপোকপী মমানা মচাগী কিদনি পীগনি হায়দুনা চোঙথোরকখি। অদুবু কিদনি পীননবা চৎপগী লম্বীদা অপোকপী মমা গাড়ীনা তকপদগী লৈখিদে। অদুম ওইনমক ইমাগী নুমিৎ অমদা কিদনি ফেল ওইরবা মচানুপানা মমা লৈখিদবা লম্বীগী মফমদা লৈ কৎপা লাকপদা লৈ লৈনবা পুরকপা শেল তাহৌবদগী কপ্পুনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুদা ইমা হায়বসিগী মতিক ময়াইগী ৱাহন্থোক উৎপগা লোয়ননা মমা উন্নবা লাকপদা মমা পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা চৎলমখিবগী তেংথা নাওইবশিং উৎপা লীলানি। মমা হায়বসি মচাশিংগীদক্তা ৱাজবগী মথক্তা শোথরবা মচাগীদমক্তা হেন্না ৱাজবা, নুংঙাইথোকপা ঙমদনা থম্মোয়গী ইহুল অদুবু উৎথোকপগী পাউজেল পীবা লীলানি। মালেমগী মমাগী নুমিৎ পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক উৎপনি। লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা থোইবদা গীৎচন্দ্র চোংথাম, তোনদোনবদা সুর অথোকপম, চাওথোইদা তোনি অথোকপম, কেননাওদা রতন খেকমন অমসুং লফোইদা খেকমন দেবাননি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা নুংশিতোম্বীদা রোবিন্দ্রো লংথবাল, চংখোনবীদা হিরামোতি থোঙাম, লৈরিক্তা সুরচান্দ থৌনাওজম অমসুং ওর্ফানগী অঙাং লমঙানবীগী শক্তম লৈশেম্বীনা লৌখি। ঈশৈদা নুপা খোঞ্জেলদা বাবুমচা চনম্বমনা শক্লগা নুপী খোঞ্জেলদনা কেবিসনা নেপ্রমনা শৈশকখি।

ইন্দিয়াদা মঙ্কি পোক্সকী...

লামায় ১গী মখা... শাশিংনা চিকপা নৎত্রগা খোৎপা তৌরকপা অমসুং লমলক্কী শাগী শাদোং চারুথক্লুবদগী ওইহল্লকপা য়াওই হায়রি।

মীওইবা অমদগী অমদা লৌনহনবগী মওংনা রেস্পিরেটরি দ্রোপলেটস য়াওনা দাইরেক্ট অমসুং ইন্দাইরেক্ট কন্টেক্ট য়াওনা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীনা শীজিন্নবা ফিরোলশিংদগীসু লৌনহনবা য়াই হায়রি। করিগুম্বা মঙ্কি পোক্স হায়রিবা লায়না অসিনা নারবদি মীওইবগী হকচাংদা চয়োল ২দগীনা ৪ ফাওবা মসিগী সিম্পটোমশিং উৎপা ঙম্মী অদুগা ইম্ম্যুন শোনবা মীওইশিং অমসুং অঙাংশিংদনা হেন্না শাথীনা শোকহনবসু ঙম্মী হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক অনাবা মীওইশিং ফমসেন্নবা নৎত্রগা মনাক নকপা মীওইশিংনা সাপোন অমসুং ঈশিং শীজিন্নদুনা খুৎ-শা তোয়না হামদোক্কদবনি। অনাবা মীওইশিংগা ফমুং, ফিরোল, কোল-লিকশিং পুল্লোইদবনি রেস্পিরেটরিগী ফীভম ঙাক্লা থমগদবনি। চাগদবা শাশিং নিংথিজনা থোংগদবনি। অনাবা নৎত্রগা অশিবা লমলক্কী শাশিংগা নকশিন্নরোইদবনি। হৌখিবা নুমিৎ ২১নিগী মনুংদা অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎথোক্লুবা মীওইশিংনা মঙ্কি পোক্সকী লায়নানি চিংনরবা নৎত্রগা কনফার্ম তৌরগদি মনাক নকপা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

থাংজিং চীংগী ৱাহৌদা সী পি পি কে টি ...

লামায় ১গী মখা... দি জি পি, মণিপুরগী ওফিসতা নাকল অনীগী মীহুৎশিং পুন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা য়ান্নবা পুরকপগা লোয়ননা নাকল অনীমক্লা থম্নখিবা অথিংবশিং হন্দোক্লখ্রে।

কে এস ও, হেংলেপ অমসুং সী পি পি কে টি অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা নাকল অনীমক্লা থম্নখিবা অথিংবশিং হন্দোক্লখিবা অদুগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালগী কবো লৈকায়দা লৈবা কম্মিটি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা কম্মিটিগী কনভিনর সাপমচা জাদুমনিনা হায়, থা অসিগী ৫ দা কে এস ও হেংলেপনা থাংজিং চীং কাবা অথিংবা থল্লকখিবা মতুংদা হৌখিবা মে ৬ তা ইবুধৌ থাংজিংগী লাইকোনদা ফম্নাইবশিং, থাংজিং শেবা মন্দল অমদি মোইরাংগী সী এস ওশিংগী অপুনবা মীফম অমা কে এস ওগী ৱাফমদু হন্দোক্লবা থমখ্রবা মতুংদা হৌখিবা মে ২৪ দা মোইরাং পাৎলৌ লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা কম্মিটি অসিনা শিন্দুনা মণিপুর পুম্বগী মীফম্না কে এস ও অদুগী ৱাফমবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু তাং ২০ গী মতুংদগী তম্পাক্তা কুম্লকপা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

অদুম ওইনমক ঙসি নাকল অনীনা য়াশিন্নখ্রবনা কুকি ইচিল-ইনাওশিংনা তম্পাক্তা কুমদুনা মহৌশাগুম হৈ-রা অমদি মনা-মশিং য়োনবা য়ারে, অথিংবা লৈত্রে হায়খি। নাকল অনীমক্লা ইস্যু অসিগী মতাংদা মখা তানা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংদা মরী লৈনদবা কমেন্ট পীবিদনবসু য়ান্নখ্রে হায়রি।

মরম অসিনা ইরমদম অসিগী য়েলহৌ ইরৈচাশিংনা মহৌশাগুম্না থাংজিং কাদুনা পাঙথোরকপা লাইগী থৌরম য়াওনা থবক থৌরমশিং তৌবীবা য়ারে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ ভেক্সিননগী দোজ ১২ খক্তমক কাপখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মনুংদা কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাংনা চাদা ৬১.৮৩ খক্তমক ওইবগা লোয়ননা কাপথোকখিবা অনীশুবা দোজগী চাংনা চাদা ৫১.৯৪ খক্তমক ওইরি।

ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী ওইনা কোভিদ ভেক্সিননগী কাপথোকখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্লিবা দিষ্ট্রিক্টনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগীদি ঙরাং ফাওবদা কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাং চাদা ৭৮.৩০ য়ৌখ্রে অদুগা অনীশুবা কাপথোকখিবা দোজগী চাংনা চাদা ৬৭.৫০ য়ৌরে। ককচীংগী মথংদা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা অহানবা দোজদা চাদা ৭৭.৭৪, অনীশুবা দোজনা চাদা ৬৭.৬৭, অহুমশুবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা অহানবা দোজ চাদা ৭৬.২১ কাপথোক্লগা অনীশুবা দোজনা চাদা ৬৬.৯৩ কাপথোকখ্রে অদুগা মরিশুবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীনা কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাং চাদা ৭৬.০৮ য়ৌরগা অনীশুবা দোজগীনা চাদা ৬৪.১৭ খক্তমক ওইরি। মঙাশুবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীনা অহানবা দোজ চাদা ৭৩.৮৫ কাপথোক্লগা অনীশুবা দোজগীনা চাদা ৬০.৮৬ খক্তমক ওইরি। অদুবু ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিননগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ মশীং খ্বাইদগী নেম্না কাপথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্টনা কাংপোকপীনা ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদদি কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাং চাদা ২২.৭৩ খক্তমক ওইবগা লোয়ননা অনীশুবা দোজগীনা চাদা ১৭.২২ খক্তমক ওইরি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সননগী মাঙওইননা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওই পূম্নমক য়ারিবমখৈ চিংথদনা ভেক্সিন অসি কাপথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দগী ফাওবা অকনবা পাউতাক পীরকখিবা লৈখিবনি। অদুবু মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা ওফিসল খক্তমক শোয়দনা কাপথোকহনখ্রগা অতৈ কাপথোকপা য়ারিবা মীওই কয়া অমা কাপথোক্তনা লৈরকখিবদগী মণিপুরগী ওইনা ঙরাং ফাওবদা কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাং চাদা ৬১.৮৩ খক্তমক ওইরগা অনীশুবা দোজগীনা চাদা ৫১.৯৪ খক্তমক ওইরবনি।

লোয়ননা ঙরাং খক্তদা শুপ্পনতগী কোভিদ ভেক্সিননগী দোজ ১২ খক্তমক কাপথোকখিবা অসিনা খ্বাইদগী য়ামদনা নোংমদা কাপথোকপা দোজ মশীং ওইরগসু মমাঙ থাগী ১৮দসু শুপ্পনতগী কোভিদ ভেক্সিননগী দোজ ২২ খক্তমক কাপথোক্লগা চৎলিবা থা অসিগী ৯দনা দোজ ২৫ খক্তমক কাপথোকপসু য়াওখ্রবনি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী বিষ্ণুপুরদগী ৫, চান্দেল ২, চূড়াচান্দপুর ৭, ইম্ফাল ইষ্ট ২১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪৯, কাংপোকপী ৫, সেনাপতি ৪, তেংনৌপল ২, থৌবাল ৫ অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী সেম্পল ২০ য়াওনা অপূনবা সেম্পল ১২০ টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদে। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেসকী মশীংদি ১,৩৭,২৩০ (জেনরেল পোপুলেসন-১,৩২,২১৬ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল -৫,০১৪) শুখ্রবনি। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১১০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-১,৩০,১০৩ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫,০০৭) শুখিবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৫তা লৈরিবনি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্পুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ১৩৯নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং অমত্তা লৈতনা জিরোদা লৈরবনা জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্ননা খাক্তুনা থল্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭তসু পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে।

ঙরাং মে ২২, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা চূড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬২.৬৪, অনীশুবা দোজ ৫৬.৮৯, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৯১, অনীশুবা দোজ ৩০.৮৫, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩১, অনীশুবা দোজ ৩৪.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.২৭ অনীশুবা দোজ ৫০.৯৭, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.০৪, অনীশুবা দোজ ২৫.২০, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪২, অনীশুবা দোজ ৩৭.৫১, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৪৭, অনীশুবা দোজ ২৯.৮৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.২৩, অনীশুবা দোজ ৩৮.৩৬, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৪, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬৭নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

কাউন্সেল চঙলক্তবদগী কোর্টনা চখফম থোকপা...

লামায় ১গী মখা...

অমরোমদা, পিটিস্নর লাংহু পোলরিং অনালনা এম এল এ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২ অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা ফিরেপ অসি লৌখ্রবা মতুং এম এল এ অসিগা অতোপ্পা মীওই অমগবু রেসপোন্দেন্ট ওইহন্দুনা ফাইল তৌরকখিবা অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৬ ওফ ২০২২ (পিটিস্নর লুনখোপাও হাওকিপ) কী কেস লৌখৎলকপদনা ইলেক্সন পিটিসন অসি বেঞ্চ অসিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লৌখৎতুনা খন্নবা হৌরগা ইস্যু তৌখিবা নোটিস অদু এম এল এ অসিদা য়ৌহন্নবা হোৎনরুবদা ছো লোন্দুনা লৈরম্বদগী পীখিদ্রে হায়বা রিপোর্ট কোর্টতা থম্নরকখি হায়রি।

অমরোমদা ৪-ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী এন পি পিগী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ সৈখ নুরুল হাসনগী মথক্তা নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০২২সু ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা অনীরকশুবা ওইনা খন্নখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এম এল এগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অজমল হুসেননা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়জ বুলেটকী মায়কৈদনা কাউন্সেল জুনো রহমননা লেপখি। রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা মোহম্মদ অমিন শাহগী মথক্তনা কাউন্সেল সাপম বিশ্বাজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা কেস অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ৪গী মনুংদা ৩গী মহুৎ শিন্দুনা চঙলকখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফম য়াওনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তাখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী কাউন্সেল ওইরিবা অজয় পেবমনা কেস অসি বেঞ্চ অসিনা অহানবা লৌখৎখিবা নুমিৎতা রেসপোন্দেন্টশিংদা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অদু পীনবগী থবক লৌখৎখি হায়রদুনা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩ ওইরিবী পুনম রানি ৱাংখেমদসু কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিস পীখি হায়রি।

অদুম ওইনমক রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩গী মায়কৈদগীদি ঙসি মেট্টর অসি কোর্টনা অনীরকশুবা ওইনা খন্ননবা লৌখৎলকপদা কাউন্সেল অমত্তা চঙলকখিদে। মরম অদুনা বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টতা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩গী মমিং হাপচিন্নবা কোর্টনা রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি।

নাকল অমরোমদা, ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এম এল এল সেখ নুরুল হাসন, ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়জ বুলেট অমসুং রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা মোহম্মদ অমিন শাহগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী কোর্টনা মখোয়দা ইস্যু তৌবা নোটিস অদুগী মতুংইন্না পাউখুম ওইগদবা মখোয়গী কাউন্টর এফিদেভিটশিং পীশিন্নবা মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনসু অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ৪গী মনুংদা ৩গী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিংনা তৌরকপা প্রেয়রগী মতুংইন্না মতম পীখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং মথং থাগী ১৩দা চখনবা লেপখি।

য়ু সী এমগী অনৌবা শঙলেনগী উরেপ তমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী নৌনা শাগৎকদবা শঙলেনগী উরেপ তমখ্রে। থৌরম অসিদা মাঙজিল থানা শরুক য়াখিবা প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা য়ু সী এমনা মণিপুর মীয়ামগীদমক লেপ্লি অমসুং মখা তানসু লেপখিগনি। ঙমখৈ ঙাকপগী মতাংদদি হীরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। অনৌবা শঙলেন অসি হান্নদগী শীজিন্নরক্লিবা শঙলেনগী মফমদা নৌনা শাগদবনি। অদুবু মীয়ামগী মতেং য়াওদনদি অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লমগী ৱাহৌদা অশোক অপন...

লামায় ১গী মখা... থোরক্তনবগীদমক মী ৫ নৎত্রগা ৫দগী হেন্না পূনবা য়াহনখিদ্রে। খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াবা চৈ, নূঙ অমসুং লাইসেন্স য়াওদবা নোংমৈনচিংবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা অমসুং পুথোক পুশিন তৌবদসু অথিংবা থমখ্রে।

নাকল অনীনা মুক্লরকপা অদুদা খাংসিং খুলগী খুঞ্জাশিংনা লম অদু চহী কয়াগী মমাঙদগী চীংদগী পুরকপা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ য়োন্দুনা লাকখিবা মফমনি, মখোয়গীনি হায়রকখি। মরম অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা নিংঙাই শংদানবা থোকখ্রবা মতুং লাইচিংগী খুঞ্জাশিং অশাওবগা লোয়ননা হন্দুনা চৎনখি। অদুবু নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা ওক্টো রিক্সো ৫/৬ য়াওনা গাড়ী মচা কয়াদা লাইচিংগী নুপী-নুপা কয়া খাংসিম খুলদা লাক্তুনা কৈথেল শঙ্গাননবা হোৎনবদা থিংবা য়াওখিবনি হায়বা মীওইশিং ফাদুনা ফুরুবদগী অমুক হন্না নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থানখিবনি হায়রি। মদুদা নাকল অনীমক্কী মীওই খরা অশোক অপন য়াওখি। লাইচিং খুলগী কাওবুনা খাংসিম খুলগী খুল্লাকপগী মচানুপা মোথৌরোং তোন্তাং (২৪) বু ফাদুনা পুবিখ্রে হায়নসু ৱাকৎনরকখি।

পি এম এ ৱাইগী শেনফমশিং...

লামায় ১গী মখা... শাগদবা মখোয়গী য়ুমগী ফাউন্দেসন লোইরবা মতুংদা ৱাৎহৌরিবা শেনফম অদু অমুক পীগদবনি হায়রি। অদুবু বেনিফিসরি খরনা মখোয়গী ফংফম থোক্লিবা অহানবা ইন্সটোলমেন্টগী শেনফমশিং ফংদবদগী মীঙোন্দগী পুরগা য়ুমগী ফাউন্দেসনগী থবক চথবা য়াওরবসু অনীশুবা ইন্সটোলমেন্টগী শেনফমশিং পীবিদবনা য়ুম শাগৎলুবা মীওই খরদি মীগী য়ুমদা শৈদাংদুনা লৈবা য়াওরে হায়খি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা পি এম এ ৱাইগী বেনিফিসরিশিংদা পীফম থোক্লিবা স্কিম অসিগী শেনফমশিং অথুবা মতমদা পীথোক্কদবনি হায়খি। অমরোমদা দ্রেন চনবা অমসুং রিপ্যারিংগী য়াওনা মাহুদ দিপার্টমেন্টগী মখাদা অঙাংশিংগী প্লেগ্রাউন্দনচিংবা শেমগৎনবগী থবকসু হৌজিক ফাওবদা হৌদ্রি হায়রদুনা হায়রিবা থবকশিং অসিগীদমক সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফমশিংদি রিলিজ তৌখ্রবনি। অদুবু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন এরিয়াদা থবকশিং অসি ঙসি ফাওবদা পায়খৎপা লৈত্রি হায়খি। মসিগী মতাংদা মাহুদ মিনিষ্টরদা খঙহনখিবা লৈরে অমসুং মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা থবক পায়খৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবদি লৈরে। অদুম ওইনমক হৌজিক থা ১ হেল্লবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরক্লেহায়নসু এম এল এনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মথক্তা কোংগ্রেসকী লিগেল...

লামায় ১গী মখা... ৱাফম অদু মহাক মশানা মীয়াম মমাঙদা ভোলুন্টরি ওইনা য়াজবা অমসুং কনফার্ম তৌবা ৱাফমনি হায়রদুনা বি জে পিগী এম এল এশিংনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা অকক্লবা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী চাংদগী হেন্না চাদিং তৌখি হায়বসি ফোঙদোকচখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা ইলেক্সনদা শীজিন্নখিবা য়াম্লবা শেনফম অদু হঞ্জিন্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং বি জে পিগী এম এল এশিংদা প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা থবক শুবদা চাদা ১৩দগীনা ১৫ ফাওবগী চাংদা লৌরি হায়রদুনা ইলেক্সনদা চঙখ্রিবা শেনফমশিং অদু কন্ট্রেক্ট অমসুং দিভেলপমেন্টেল ৱার্কশিংগী মওংদা শুরগা ফংফম থোক্লিবা পর্সেন্টেজশিং অদু ফংনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়বসিনি।

মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু করপসন শৌগৎপগা লোয়ননা ইলেক্সনদা বি জে পিনা লুপা ক্রোর কয়াগী অহেনবা চাদিং তৌখি হায়বসিদা য়াজবা ৱাফমনি হায়রি। মরম অদুনা লোগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মথক্তা মথৌ তাবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎপীয়ু হায়দুনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুনা দি জি পিদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভাইরেল ওইখি হায়রিবা ভিদিও অদুগী য়ুট্যুব চেনেলগী লিঙ্ক অমসু রিপোর্ট অদুগা লোয়নখি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পার্টি অসিগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেননা দি জি পিদা পীশিনখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুমক ঙসি পি ঐচ ক্যুদা লৈরিবা দি জি পিগী ওফিসনা ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অসিগী কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা এদভোকেট শ্যামচরননা লোকল টেলিভিজন চেনেল অমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ারগা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মতাংদা ফজদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়বগী চার্জদা বি জে পি য়ুব মোর্চা, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম বারিসনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস লৌখৎলগা সিটি পি এসতা ট্রান্সফর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা এদভোকেট এস শ্যামচরনবু মমাঙ থাগী ১০ অমসুং ১১গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৪৫ রোম তারকপদা ময়ূমদগী ফারগা কোর্টতা পুথোকখিবা লৈখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু কোর্টতা পুথোরকপদা কোর্টনা বেল পীখিবনি।

এক্ক্যুজ ৭মক কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রে...

লামায় ১গী মখা...

ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (লোক আয়ুক্তা), মণিপুরনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন ১৩ (সী), ১৩ (১) (দি) অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ৪২০, ১২০ বিগী মখাদা কোগনিজেন্স লৌখ্রবা পি দল্লিয়ু দিগী হান্না ইঞ্জিনিয়র ওইরম্বা অমসুং হৌজিক ওইরিবা ওফিসলশিংনা এস ঈ-থ্রী ওইরম্বা কে প্রেমকুমার (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে গুলাপ, মোইরাংখোম চীংঙাখম লৈকায় (ব্রজলাল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসকী মনাক), হান্না এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র-তেংনৌপল দিভিজন ওইরম্বা ওইনাম ইনাওবা (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও মনি, খোংমন জোন ৪ অমসুং সোইমিন্থাং সিংসোন (৬০) (ঈ ঈ -তেংনৌপল দিভিজন), অপোকপা লৈখিদ্রবা নেখোপাও সিংসোন, মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ চিক্কিম ভিলেজ, ভৈনৈলম হাওকিপ (৩৯) (এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়র-সব দিভিজন - ২, মোরে) অমসুং সেক্সন ওফিসর সী ঐচ মোলোগি মরিং (৩০) (তেংনৌপল দিভিজন), অপোকপা মোহোন মরিং, কম্বাং খুনৌনি।

পি দল্লিয়ু দিগী হান্না ইঞ্জিনিয়র ওইরম্বা মীওই ২ অমসুং হৌজিক ওইরিবা ওফিসল ৩ খক্তা নত্তনা ঙসি কোর্ট অসিনা কোগনিজেন্স লৌখিবা অতোপ্পা এক্ক্যুজ অনীদুগী মমিংনা ফর্ষ্ট ক্লাস কন্ট্রেক্টর হেমখোপাও (৫৬) অপোকপা পাওখোথাং, কে মোলনোম ভিলেজদগী হৌজিক্লা চসাদ এভেন্যুদা লৈরবা অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৮দগী হৌজিক্লা ককৱা খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈরবা য়ুম্নাম রঞ্জিৎ (৫৮) অপোকপা ৱাই গোপালনি। অকোনবগী এক্ক্যুজ অনীসিগী মথক্তদি কোর্টনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা কোগনিজেন্স লৌখিদে। মখোয় অনীগী মথক্তদি মথংশিংনা আই পি সীগী সেক্সন ৪২০, ১২০ বি অমসুং ১০৯, ১২০ বিগী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌখিবনি।

কেস অসি মণিপুর লোক আয়ুক্তনা লৌখৎখিবা মেট্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইবদগী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা অপূনবা এক্ক্যুজ ৭ অসিগী মথক্তা কেস অমা হৌখিবা কুমজা ২০২০দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৮ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪২০, ১২০ বি, ১০৯ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (সী) অমসুং (দি) নি।

অপূনবা কেস অসিগী এক্ক্যুজ ৭কী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা থাগৎলকপা চার্জশীট ঙসি কোর্টনা ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখি। লোয়ননা চার্জশীট অসিগী মরী লৈনবা রেকোর্দশিংগী মতুংইন্না এক্ক্যুজ ৭ অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কোর্টনা কোগনিজেন্স লৌখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা স্পেসল ট্রাইএল (লোক আয়ুক্তা) কেস নম্বর ১ ওফ ২০২২ ওইনা ৱায়েল চখনবা লৌখৎখিবনি।

অপূনবা এক্ক্যুজ ৭কী মথক্তা কোর্টনা তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কোগনিজেন্স লৌরবা মতুংদা মখোয় ৭ মক হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবা লৈত্রিবনা মরী লৈনবা বোনশিংসু অমত্তা ফংদ্রি হায়রদুনা মখোয় ৭মক মথং থাগী ১৮দা মশা মশা কোর্টতা লাক্লবা নোটিস পীখিবনি।

লোয়ননা নুমিৎ অসিদা এক্ক্যুজশিং অসিনা কোর্ট কারক্লবা মতমদা কেস অসিগী মরী লৈনবা আর পি (রিলিভেন্ট পেপরশিং) প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী মখোয়দা পীননবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৭১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.৫৫°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১২.২৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৫

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.712833
US Dollar	77.532621
British Pound	97.570752
Australian Dollar	55.148049
Chinese Yuan Renminbi	11.649344
Japanese Yen	0.608113
Malaysian Ringgit	17.665686
Singapore Dollar	56.441384
South Korean Won	0.061356
Saudi Arabian Riyal	20.675366
Thai Baht	2.263820

GAS NEWS

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 07/03/22
Valid from 20/02/2022
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 07-04-22
B/upto - 11-04-22
Stock 612
7am to 10am
TDK GAS
BK. UPTO 18/03/22.
VF.16/03/22.
STK.306.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
M/S K&K INDANE SERVICE,
Home delivery only
BOOKING UPTO DATE
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

SKY Hospital & Research Centre Pvt. Ltd.
RIMS Road, Imphal West – 795004, Manipur
Happy Announcement
Dr. Ramdeo Yadave
MD, DM (AIIMS),
FHRS & FSCAI
Having 23 years of experience appointed as regular 2nd Consultant Cardiologist of SKY Hospital.
Experts in EPS+RFA, Device implant, PCI, Pacemaker, Combo implant, etc.
Upcoming session: 24th May, 2022
HL-B/7661/24

ENROLL TODAY Most Trusted Institute Since 2001... ENROLL TODAY
GLOBAL SPOKEN ENGLISH
DOT COM COMPUTER
Govt.Regd. No.2102 Of 2012
NIELIT
FEATURES:
GRAMMAR
SPEAKING PRACTICE
SMART CLASS
VOCABULARY
PRONUNCIATION
PERSONALITY
DEVELOPMENT
INTERVIEW SKILLS
CAREER COUNSELLING ETC...
SPOKEN HINDI
20% DISCOUNT FOR ALL STUDENTS
COURSES:
BASIC, BCC, ACC, CCC, CCC+
CCA, CCP, DTP, ECC, DCA
PGDCA, TALLY WITH GST
INTERNET, HTML
MULTIMEDIA, OFFICE AUTOMATION
SOME CLASSES COMMENCE ON 16th MAY (MONDAY) 2022
CLASS TIMING – 6:00 AM TO 6:00PM
VENUE : OLD LAMBULANE, OPPOSITE G.P. WOMEN'S COLLEGE.
Instructors :- Sir Bitam, Sir Rojen, Sir Suresh (Gandhi) ☎ 7005214205/9089645181/6009048058
HL-P/2391/30 April to 21 May